## এন আর আইশিংনা ওনলাইন ভোটিং য়ারোই

দুবাই, মার্চ ৩০(এজেন্সি): ইন্দিয়াগী হৌজিক চথরিবা লোক সভা মীখলদা নন-রেজিদেন্ট ইন্দিয়ন (এন আর আই)শিংনা ওনলাইন্দা ভোট থাদবা য়ারোই হায়না দুবাইদা লৈবা ইন্দিয়ন মিসন্না হায়খ্রে।

এন আর আইশিংনা কুমজা ২০১৯ গী মীখলদা ওনলাইন্দা ভোট থাদবা য়াগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা অরানবা পোস্ট কয়া সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা থাগৎলকপা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)দা লৈরিবা ইন্দিয়ন এক্সপেট্রিএট কয়ানা কমপ্লেন তৌখ্রে হায়না খালিস টাইমনা ফোঙদোক্লি।

মীওই খরদি পোস্টশিং অদুদা থাজনখি। তৌইগুম্বসুং অতে মীওই কয়াদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদগী ৱেবসাইট অমসুং সোসল মিদিয়া হেন্দলশিংদা চেক তৌখি। মখোয়না পোস্টশিং অদু অরানবা পাউনি হায়বসি খঙলকখিবনি।

## চাইনাগী অহানবা টেষ্ট-ট্যুব বেবি মমা ওইরে

বৈজিং, মার্চ ৩০(এজেন্সি):

চাইনাগী অহানবা টেষ্ট-ট্যুব বেবি ঝেং মেংঝি নিংথৌকাবা নুমিত্তা মচানুপা অমা পোক্লে হায়না পেকিং য়ুনির্ভসিটি থার্দ হোস্পিটালনা ফোঙদোকখ্রে।

ঝেং মেংঝি অসি কুমজা ১৯৮৮ গী মার্চ ১০ দা হোস্পিটাল অদুদা টেষ্ট-ট্যুব বেবি রিছাচকী শক্লাইরবা দোক্তর অমা ওইরিবা ঝাং লিঝুগী মতেংগা লোয়ননা পোকখিবনি হায়রি। অঙাং অদু উনবদা সর্জরি পাঙথোকখিবা ঝাও য়াংয়ু কৌবা দোক্তর অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঝেংনা অয়ুক পুং ৮.৩৪ তাবা মতমদা সিজরিয়ন সেক্সন অমা চথদুনা অঙাং নুপামচা অদু পোকখি। অঙাং অদু গ্রাম ৩.৮৫০ লুমখি।

## অরাব লিগনা সুদানগী মিলিটরি কাওন্সিলগী থৌরাংশিং শৌগৎখ্রে

কাইরো, মার্চ ৩০(এজেন্সি):

সুদানগী ট্রাঞ্জিসিনেল মিলিটরি কাওন্সিল (টি এম সী)না লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসন লৈহন্নবা লাউথোকখিবা মরু ওইবা খোঙথাংশিং অরাব লিগ (এ এল)না শৌগৎখ্রে।

সুদানগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং থুংহন্নবগীদমক্তা লৈবাক পুঙ্না য়ানরবা ফিভম অমা লাকহন্নবগীদমক্তা টি এম সী অমসুং লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল অমসুং সিভিলয়ন ফোর্সশিংনা হোৎনরিবশিং অদু অরাব লিগনা শৌগৎলি হায়না লিগকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। সুদানকী পার্টিশিংনা লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসন লাক্নবা দাইলোগ চথনবসু লিগনা আপিল তৌখ্রে।

## প্রসিদেন্ট মাদুরোবু ভিনেজুএলাদা থোক্লিবা ৱাথোক্কী থৌদাং য়াহন্নবা য়ু এসনা পাম্বে কয়া শীজিন্নগনি



বোগোতা, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শেল-থুম অমসুং পোলিটিকেলগী পাম্বে খুদিংমক শীজিন্নদুনা ভিনিজুএলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোবু মহাক্কী লৈবাক্তা থোক্লিবা ৱাথোক্কী থৌদাং য়াহনগনি, লোয়ননা ক্যুবা অমসুং রসিয়াবু মহাকপু শৌগৎপগী অফ-ফত্ত খুদিংমক মায়োক্ন হনগনি হায়না য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নিগী চিলে, পেরাগ্বাই অমসুং পেরুগী খোঙচৎ অমদা ইকোন কোন্না থুংখিবা কলম্বিয়াগী বোর্দর সিটি কুকুটাদা পোম্পিওনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ভিনিজুএলাগী ৱাথোক অমসুং লমদম অদুদা চাইনাগী ইথিল হেনগৎলপগী ফিভম লৈবদগী ৱাশিংটন্না লৈবাকশিং অসিবু লুনা লৌরক্লিবনি।

ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ভিনিজুএলাগী লৈঙাক্তা অহোংবা পুরকপগী মতাংদা য়ু এসগী ওইনা অকক্নবা মতম অমা লেপ্পা লৈত্রি। প্রসিদেন্ট মাদুরোনা মহাক্কী লৈবাক্তা থোক্লিবা শেল-থুমগী প্রোব্লেমশিং অদু অমেরিকানা অথিংবা কয়া থন্নকপদগীনি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা হৌখিবা জন্যুৱারিদা মশানা ভিনিজুএলাগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকচখিবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদাবু য়ু এসকী হংলাই অমনি হায়খ্রে। কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা নিকোলাস মাদুরোনা অমুক হন্না মায় পাকখিবদু লোগী মায়োক্তুনি হায়রদুনা গুৱাইদোননা মশামকপু লৈবাক অদুগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকচখিবনি।

ভিনিজুএলাদা ইনফ্লেসনগী চাং কা হেন্না ৱাংলকখিবা, হীদাক লাংথক অমসুং চীঞ্জাক ফংবা ৱারকখিবা অমসুং লৈবাক অদুদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী ৱাথোক অদুনা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন ৩ হেন্না লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেন্নখ্রবনি।

কুকুটা সিটিগী সেন্টর অমদা লৈরিবা মাইগ্রেন্টশিংগী ফিভম য়েংশিল্লবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা পোম্পিওনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ভিনিজুএলাগী মীয়াম্বু মতেং পাংনবগীদমক্তা অৰেবা শেল-থুম অমসুং পোলিটিকেলগী পাম্বে খুদিংমক শীজিন্নগনি। পোম্পিওনা মদুগী মমাঙদা বোর্দরগী থোংশিং অমসুং অৰা-অনা তারবশিংদা পীননবা পোৎলমশিং থন্নিবা ৱেয়রহাউস অমসু য়েংশিনখি।

অথিংবা কয়া থমদুনা, ভিজা রোভোক তৌদুনা অমসুং অতে পাম্বে কয়া শীজিন্নদুনা ভিনিজুএলাগী রেজিম অমসুং মসিবু শৌগৎলিবশিংবু দেমোক্রেসি নমথবা অমদি লৈবাক অদুদা পাক্তননা উবা ফংলিবা অরান-অছুই কয়াগী থৌদাং য়াহনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। কলম্বিয়াদা থুংখিবা ভিনিজুএলাগী মাইগ্রেন্ট অয়াম্বা কুকুটাদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনি। মখোয় কয়া অমদি মশা মশানা পুবা ঙম্বা পোৎলম চৈরম খরদমক লোয়নরগা লাকখি হায়রি। য়ু এস য়াওনা নোংচুপলোমগী লৈবাক অয়াম্বনা গুৱাইদোবু ইন্টরিম হেদ ওফ ষ্টেট ওইনা শকখঙখ্রবসু রসিয়া, চাইনা অমদি ক্যুবানদি মাদুরোবু শৌগত্তুনা লৈরি।

## আই এম এফনা পাকিস্টান্দা শেলগী মতেং পীবা থিন্থবা য়ানা লৈরে



ৱাশিংটন, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

শেলগী অৰাবা মায়োক্লরিবা পাকিস্টান্দা ইন্টরনেসল মনিটরি ফন্দনা লৈবাক অসিগী অৰাবা কোক্নবা শেলগী মতেং পীবদা মতম চোন্থরবা য়াই হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না গ্লোবেল লেন্দর অসিনা ইস্লামাবাদদা সী পি ঈ সী প্রোজেক্টকী মতাংদা মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা প্রেসর পীবগা লায়ননা পীগদৌরিবা শেলগী পেকেজ অদু চাইনাগী লোনশিং শিংবদা শীজিন্নরোই হায়বগী অইবা চেরোল অমা পাকিস্টানগী মায়কৈদগী পীরকপা পাম্বদগী আই এম এফনা শেনফমশিং অদু পীবদা থিন্থগদৌরিবনি।

পাকিস্টানগী শেল-থুমগী ফিভমদা কা হেন্না শোকহনবা য়ারিবা লৈবাক অসিগী বেলেন্স ওফ পেমেন্টসকী মীপাইনিঙাই ওইরবা ক্রাইসিস অমদগী কঞ্জবা ঙম্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিনা ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দদগী দোলর বিলিয়ন ৮ গী চাওরবা শেনফম অমা লৌনবা হোৎনরকখিবনি।

চাইনানা পুকচেল চাওনা পীরকখিবা মতেংগা লোয়ননা পাকিস্টান্না হৌজিক ফাওবদা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা মরুপ মপাং ওইবা লৈবাকশিংদগী শেল-থুমগী তেংবাংগী পেকেজশিং ওইনা পুন্না দোলর বিলিয়ন ৯.১ ফংবা ঙম্লে। পাকিস্টানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অজাদ উমারনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকখিবদা, আই এম এফ য়াওনা ৱার্ল্ড বেঙ্ক গ্রুপকী কালেনগী মীফমশিং লোইরবা মতুং ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ)কী মিসন অমা অথুবা মতমগী মনুংদা ইস্লামাবাদতা লাক্তুনা থা অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা য়ান্নচে অমা খুৎয়েক পীনরগনি।

পাকিস্টানগী দোন পাউচেনা ওফিসল সোর্সশিং পল্লদুনা হায়, দিল অদুগী অরোইবা অকুপ্পা ৱাফমশিংগী মতাংদা নাকল অনীনা হৌজিকসু খন্ন-নৈনবা লোইদ্রিবনা মরম ওইদুনা তেংবাংগী পেকেজ অদুগী ৱারোইশিন পুরক্নবা আই এম এফনা ইস্লামাবাদতা লাক্কদৌরিবদু মতম খরা চোন্থবা য়ানা লৈ। ফিভম অসিদা আই এম এফকী মিসন অদু হৌজিক্তি এপ্রিল মনুংদা লাকপগী মহুত্তা মথং থা মেদা ওইনা লাকপগী ফিভম লৈরে হায়না দোননা ওফিসলশিংদুগী ৱারোলশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মীফমশিং অদুদা পাকিস্টানি দিলিগেসন অদুবু লুচিংলিবা ফাইনান্স মিনিষ্টর ইরাই নুমিত্তা ন্যু য়োক্তা চৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়র ওফিসলশিং অমসুং অতে গর্ভর্নমেন্ট এজেন্সি কয়া য়াওরিবা মহাক্কী টিম অদু মখা তানা ৱারী শান্নবগীদমক্তা ৱাশিংটনদা পন্দুনা লৈখি হায়রি। শগোলশেল নুমিত্তা পাউগী মীফম অমদা উমারনা হায়খি মদুদি, নাকল অনীনা শেলগী পেকেজ অদুগী মতাংদা চপ চানা ৱাখল তান্নবা ঙমদনা লৈরি। অদুনা নোংম-নিনিগী মনুংদা নাকল অনীগী মরক্তা মপুং ফারবা য়ানবা অমা পুরক্নবা য়াই হায়না থাজনরি। পাকিস্টান-আই এম এফ ৱারী শান্নবদুগী মতাংদা ওফিসল অমনা জুনগী মমাঙদা য়ান্নবা অমা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

## সাউথ কোরিয়াগী মূননা নোর্থকী কিমগা সম্মিট অমসু পাঙথোক্নবা হোৎনগদৌরি



সিওল, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবা মখা চত্থবা য়ানবা সিওলনা ৱাতেন্বগী থৌদাং লৌবগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা হন্দক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু কিমগা অতোপ্পা সম্মিট অমসু পাঙথোক্নবা মহাক্না ঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা নিংথৌকাপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা কিমনা ভিয়েটনামদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট মূনগী মায়কৈদগী ৱারী মখা চত্থবা য়ানবা কন্না হোৎনরকখিবনি। প্যোংয়াংনা অথিংবশিং লৌথোক্নবা তকশিল্লকখিবা অমসুং ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম থাদোক্নবগী মশক থোকপা খোঙথাংশিং উৎলক্নবা তকশিনখিবদগী ভিয়েটনামগী সম্মিট অদু দিল অমা য়ান্নবা ঙমদনা লোইশিনখিবনি।

কিমনা ইরাই নুমিত্তা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদগী অচুম্বা মীৎয়েং য়াওবা ফিরেপ অমা উৎলকপা তারবদি মহাক্না ট্রম্পকা অতোপ্পা সম্মিট পাঙথোকপগী ৱাফমদা য়ানিংদবা তৌদে হায়খিবনি। লোয়ননা মহাক্না য়ু এসকী ফিরেপতা অহোংবা লাকহন্নবগী মতম ওইনা চহী লোইবা ফাওবা ঙাইগনি হায়খিবনি।

নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াগী দিন্যুক্লিয়রাইজেসনগী মতাংদা ৱারী শান্নরকখিবগা ইরোইননা য়ু এসকী মীচঙ অমা ওইরিবা সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগা য়েংথিন্নদুনা লাক্লিবা য়ুদ্ধ্লোন্নবা নোর্থ কোরিয়াগা মরী ফগৎনবগী খোঙথাং কয়াসু লৌখৎখিবনি। হৌখিবা চহী অমরোম অসিদা মূন অমসুং কিমনা অহুম্নক উন্নখ্রবা মতুংদা মূনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না মরীশুবা মীফম অমগসু পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনরকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা ৱাশিংটনদা চত্তুনা প্রসিদেন্ট ট্রম্পকা উনখিবা মূন্না কিমগী খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা ৱাঙাঙ অদুনা মরিশুবা কোরিয়া মশেলগী ওইবা সম্মিট অমা পাঙথোকপা য়াবগী ঈঙ্গিৎ পী হায়খি।

## নেপালগী প্লেন অমা খামদুনা লৈবা হেলিকোপ্টরদা থোমজিনবদগী কায়রে, মীওই অহুম শিরে



কাথমন্দু, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

নেপালগী প্লেন অমা নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা মাউন্ট এভরেষ্ট মনাক্তা লৈবা চীংগী লমদম অমদা লৈবা এয়রপোর্ট অমদগী পাইখৎনবা হোৎনবদা খামদুনা লৈবা হেলিকোপ্টর অনীদা থোমজিনবদগী কায়খ্রে অমসুং থৌদোক অদুদা কো পাইলোট অমা য়াওনা মীওই অহুম শিরে এয়রপোর্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ত্বীন ওট্টর এয়রক্রাফ অদু মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংজাও ওইরিবা কেপিটেল কাথমান্দুদগী অৰাং নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১২০ লোম লাপ্না লৈবা মাউন্ট এভরেষ্ট কানবগী গেটৱেনি হায়নরিবা লুক্লাগী টেঞ্জিং হিলারি এয়রপোর্টতগী পাইখৎনবা হোৎনবদা রনৱেদগী হায়দোকখিদুনা খামদুনা লৈবা হেলিকোপ্টরশিং অদুদা থোমজিন্দুনা কাইখিবনি।

সম্মিট এয়রনা ওপরেট তৌবা প্লেন অদু মালেমগী খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা এয়র-পোর্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এয়রপোর্ট অদু থাদোক্তুনা পাইখিগদবা মরম্না থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা পেসেঞ্জর অমত্তা তোংখিদে হায়রি। ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী এক্সদেন্ট অদুগী মরমদা খুদক্তা পীবা ঙমখিদে।

থৌদোক থোকফমদা মীওই অনী খুদক্তা শিখি অমসুং অহুমশুবা মীওই অমনা কাথমান্দুদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নবদা শিখি হায়না এয়রপোর্টকী ওফিসল প্রতাপ বাবু টিৱারিনা ন্যুজ এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখি।

শিখিবশিংদুগী মনুংদা হেলিকোপ্টরশিংদুগী মনাক্তা লৈরম্বা সিক্যুরিটি গার্দ অনী য়াওখি। থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখিবা মীওই অহুমগী মনুংদা প্লেনদুগী পাইলোটসু য়াওখি। প্লেন অদুগী অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেৱার্দেসতি থৌদোক অদুদা শোকহৌদ্রে হায়রি।

মাউন্ট এভরেষ্ট য়াওনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল ১৪ গী মনুংদা ৮ লৈরিবা অয়াম্বা শরুক চীংগী লমদম ওইরিবা নেপালদা প্লেন কায়বগী থৌদোকশিং তোইনা থোকই।

## ৭৩৭ এম এ এক্স ফ্লাইটশিং মখা তানা লৈহনখিরোইদৌরি



ফোর্ট ৱর্থ, টেক্সাস, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

মালেমনা বোইংগী ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেনশিং মতম কক্তুনা শীজিন্নবা লেপখিবনা মরম ওইদুনা অমেরিকান এয়রলাইন্সনসু বোইংগী প্লেন মোদেল অসিগী ফ্লাইটশিং ওগষ্ট ১৯ ফাওবা মখা তানা কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না কম্পেনিগী মায়কৈদগী লাউথোকখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা এয়রলাইন ওইরিবা অমেরিকান এয়রলাইন্সনা থবক চিনগনবা মতম ওইরিবা সম্মর ট্রভেল সিজনগী মাওইননা পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং য়াৎপা ঙম্নবগীদমক্তা মোদেল অদুগী ফ্লাইটশিং মখা তানা জুনগী অঙনবা শরক্তগী ওগষ্ট ১৯ ফাওবা কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌখিবনি। সাউথ ৱেষ্ট এয়রলাইন্সনসু হৌখিবা চয়োলদা ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেনশিংগী ফ্লাইট মখা তানা জুনদগী ওগষ্ট ফাওবা কেন্সেল তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

ফেদরেল এভিএসন এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ এ এ) অমসুং বোইংনা হৌজিক পায়খৎলিবা থবকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়রিবা মতম অসিগী মাওইননা এম এ এক্স অসি রিসাটিফাইদ তৌরগনি হায়বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ হায়না অমেরিকান এয়রলাইন্সকী চেয়রমেন অমসুং সী ঈ ও দৌগ পার্কর অমসুং প্রসিদেন্ট রোর্বট ইসম্না নোংমাইজিং নুমিত্তা এয়রলাইন ষ্টাফতা পীবা পাউজেল অমদা হায়খি।

ফ্লাইট কেন্সেল মখা তানা কালেনগী মতম লোইবা ফাওবা তৌরিবা অসিনা ঐখোয়বু পিক ট্রাভেল সিজনগীদমক্তা হেন্না থাজনিংঙাই ওইবা মওংদা প্লান তৌবা ঙমহল্লগনি হায়নসু পাউজেল অদুদা পনখি। ওগষ্ট ১৯ ফাওবগী মনুংদা ফ্লাইট কেন্সেল তৌগদৌরিবসি নোংমদা চাওরাক্না ফ্লাইট ১১৫ গী চাংদনি। মসি এয়রলাইন অসিগী নুংতিগী ওইবা অপুনবা ফ্লাইট মশিংগী চাদা ১.৫রোমগী চাংনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

হৌজিক অমেরিকান এয়রলাইন্সকী ফ্লীটতা ৭৩৭ এম এ এক্স জেট ২৪ লৈ। মমাঙদা অমেরিকান এয়রলাইন্সনা হান্না এম এ এক্স প্লেন অমদা সেদ্যুল তৌখিবা ফ্লাইট খুদিংমক কেন্সেল তৌরোই হায়খ্রবনি।

পনবা য়াই, ইথিওপিয়ন এয়রলাইন্সনা পাইবা প্লেনশিংগী মনুংদগী অমা কায়দুনা মদুদা তোংলিবা মীওই খুদিংমক শিখিবদগী হৌখিবা মার্চতা ৭৩৭ এম এ এক্স শীজিন্নবা লেপখিবনি। ইথিওপিয়াগী ক্রাস অদু থা ৬ য়ৌদবা মতমগী মনুংদা জেট মোদেল অদু চেন্নখিবা অনীশুবা এক্সিদেন্টনি। অহানবগী থৌদোক অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী লাইওন এয়রনা পাইবা ৭৩৭ এম এ এক্স জেট অমা হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা কাইখি। থৌদোক অদুদা অতোংবা মীওই ৩৪৬ মক শিখিবনি। প্লেন কাইবগী থৌদোকশিং অদুগী হৌরকফমশিংগী মতাংদা হৌজিকসু লেপ্তুনা থিজিল্লিবা ওইরবসু ওটোমেটিক সেফটি ফিচরদা অশোয়বা য়াওবদগী এম এ এক্স জেটশিং পাইলোটনা কন্ত্রোল তৌন-তৌনা মখাদা পাইথবনি হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিনা থাজনবা লৈরিবনি।

## ইন্দিয়ানা বি আর আই ফোরমদা য়াওদ্রবসু নুংনাংবা তৌরোই : চাইনা

বৈজিং, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

দোলর বিলিয়ন কয়াগী কন্নেক্টিভিটি প্রোজেক্ট বেল্ট এন্দ রোদ ইনিসিএটিভ (বি আর আই) ফোরমগী থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা ইদিসন্দা ইন্দিয়ানা য়াওদ্রবসু নুংঙাইতবা লৈরোই হায়না চাইনানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খ্রে।

লৈবাক খরনা প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদা অরানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নবা লৈরবসু ইনিসিএটিভ অসিবু লৈবাক কয়ানা লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লিবা অসিনা মালেম্না প্রোজেক্ট অসিদা থাজবা থন্নি হায়রিবসি উৎলি হায়নসু বৈজিংনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৭দা তৌখিবগুম্না ইন্দিয়ানা প্রোজেক্ট অদুগী মরু ওইবা মশা অমা পাকিস্টান্না লৈঙাকপা কাশ্মির ফাওদুনা চৎপগী ফিভমদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হন্দক্কী ফোরম অসিসু বোইকোট তৌবা য়াই হায়না থাজনরিবনি। হৌখিবা থাদা চাইনাদা লৈবা ইন্দিয়ন এনভোই বিক্রম মিশ্রিনা লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিদা শোকহনগদবা ইনিসিএটিভ অমত্তদা য়াওবা তৌরোই হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না ৱাফম অসি বি আর আইগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা চাইনা-পাকিস্টান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী মতাংদা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।



## ফাখিবা টিমগী পাউ পীরক্নবা আই সী আর সীনা আপিল তৌখ্রে



জিনিভা, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

সিরিয়াদা কুমজা ২০১৩ দা দ্রাইভর অনীগা লোয়ননা কিদনেপ তৌখিবা ন্যু জিলেন্দগী নর্স অমা হৌজিকসু হিংলম্বা য়াই হায়রদুনা ইন্টরনেসনল কম্মিটি ওফ রেদ ক্রোস (আই সী আর সী)না মহাক কদায়দা লৈরিবগে হায়বগী মতাংদা পাউ পীরক্নবা অহানবা ওইনা আপিল তৌখ্রে।

লুইজা অকাভি কৌবী নর্স অদু সিরিয়াগী অৰাং নোংচুপ থংবদা লৈবা ইদলিবতা পোৎ চৈ কয়া পীনবগীদমক্তা রেদ ক্রোসকী কনভোই অমদা চৎলিঙৈদা সিরিয়ন দ্রাইভর অনী অলা রাজাব অমসুং নবিল বাকদোনেসকা লোয়ননা ফাখিবনি। কনভোই অদু কুমজা ২০১৩গী ওক্তোবর ১৩ দা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা খামখি অমসুং মখোয়না মীওই ৭ ফাখি। মখোয়গী মরক্তা মীওই ৪ দি মথংগী নুমিত্তা থাদোকখি। মীওইশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ফাখিবনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না আই সী আর সীনা ফোঙদোকখিবনি।

জেনিভাদা গ্রুপ অসিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, খ্বাইদগী নৌবা থাজবা য়াবা পাউনা কুমজা ২০১৮ গী অথেংবা ফাওবদা লুইজা হিংখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি। আই সী আর সীনা অলা অমসুং নাবিলগী মরমদা অমসুং মখোয়গী মরাইবক্কী মতাংদা অহেনবা অকুপ্পশিং হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি হায়নসু গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ইস্লামিক ষ্টেটনা হৌজিক ফাওবা ফাজিন্দুনা থন্নি হায়না থাজনরিবা অকাভিবু থিংনবগীদমক সিরিয়াদা স্পেসল ফোর্সেসকী য়ুনিট অমা থাখ্রে হায়না ন্যু জিলেন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু জিলেন্দগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর ৱিনষ্টন পিটরসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, সিরিয়াদা থাখিবা স্পেসল ফোর্সেসকী টিম অদুদা স্পেসল ওপরেসন ফোর্সতগী খনগৎলবা ন্যু জিলেন্দ দিফেন্স ফোর্স (এন জেদ দি এফ)গী মেম্বরশিং য়াওরি। টিম অদুদা য়াওরিবা পার্সনেল কয়া মতম মতমগী ওইনা সিরিয়াদা কয়ারক চৎখ্রবনি।

## ক্লাইমেট চেঞ্জ প্রোটেষ্টরশিংনা লন্দনগী লম্বীশিং থিংজিনগদৌরি



লন্দন, এপ্রিল ১৫(এজেন্সি):

বৃটিশ গভর্নমেন্টপু ক্লাইমেট চেঞ্জ কন্ট্রোল তৌনবগী অহেনবা খোঙথাং কয়া নমদুনা লৌখৎহন্নবা হোৎনরদুনা ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেষ্টরশিংনা মথং নুমিৎ খরনি অসিদা সেন্ট্রেল লন্দনগী মী খ্বাইদগী চিনবা লম্বী খরা থিংজিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী জি এম টি ১০.০০ দগী মার্বল অর্চ, ওক্সফোর্দ সার্কস, ৱাটরলু থোং, পার্লিয়ামেন্ট স্কৱার অমসুং পিকাদিলি সার্কসকী লম্বীশিং থিংজিন্নবা থৌরাং তৌরি। লম্বী থিংজিনবগী খোঙজং অদু অহিং নুংথিল নাইদনা মফমশিং অদুদা চত্থগনি। প্রোটেষ্টশিং অদু য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৫ ফাওবদি চত্থবা য়াই হায়না দিমোষ্টেটরশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্টরশিংনা ঈংনা চিক্না লম্বী থিংগনি। মসি ক্রিয়েটিভ রেজি-ষ্টেন্সকী মপুং ফারবা ফেষ্টিবেল অমা ওইরগনি। মীয়াম্না খন্দোক্নবা মফমশিং অদুদা পুনগনি, অর্ট এক্সন কয়া, ষ্টেজ পার্ফোমেন্স কয়া উৎকনি। ৱারী শান্নবা, ৱার্কসোপ, চাবা-থকপা লোয়ননা ইমুংশিং থোক্লক্তুনা পুনহন্নবগী থৌরাংশিং য়াওরি হায়না দেমোনষ্ট্রেসন অদুবু শীন-লাংলিবা গ্রুপ এক্সটিঙ্কসন রেবেলিয়ন্না ফোঙদোকখ্রে। পনবা য়াবদি, গ্রুপ অসিনা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা হাউস ওফ কম্মন্সতা সেমি-ন্যুদ প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্তুনা পাউ চেকয়াগী হেদ লাইনশিং ওইনখিবনি। মেম্বরশিংদা নন-ভাইওলেন্ট সিভিল দিসওবিদিএন্সগী খোঙজংদুদা চেকশিন্না শরুক য়ানবসু গ্রুপ অসিনা আপিল তৌখ্রে।